

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JANUARY 30, 2019 **PAGE 7**




*চেছ মশান্নগী ওইনা মালেমগী মনুংদা অনীশুবা খ্বাইদগী নহা ওইনা গ্রান্দমাষ্টস ওইখ্রবা তামিল নাদু মচা দোম্মারাজু গুকেস*

*ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা চহী মরিমখায়গী ওইনা সাইন তৌনখ্রবা মশাগী চহী ২৫শুরবা আর্জেন্টিনা মচা লিয়ান্দো পারেদেস*

## মন্ধনাগী ফজবা পার্ফোমেন্সনা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না ন্যু জিলেন্দবু ৱিকেট ৮ দা থোইদুনা সেরিজ লৌখ্রে

*মাউন্ট মাউঙানুই, জনুৱারি ২৯ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না ন্যু জিলেন্দগী নুপী ক্রিকেট টিমগা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন স্মৃতি মন্ধনাগী ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্সনা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৱিকেট ৮ দা থোইদুনা সেরিজ মাঙজৌননা লৌখ্রে।



*আওট ওইদনা রন ৯০ লৌখিবী ইন্দিয়াগী স্মৃতি মন্ধনা*

ন্যু জিলেন্দগী সিটি মাউন্ট মাউঙানুইদা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ৱান দে মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। ন্যু জিলেন্দনা হান্না বেট্টিং তৌখিবদা ৪৫শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা শুপ্পগী রন ১৬১ লৌখি।

ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম শোকখি। অপুনবা স্কোর ৫০ য়ৌদ্রিঙৈদা মখোয়গী বেটসৱুমেন ৩ আওট ওইখি। ওপনর সুজি বেটস রন অমত্তা লৌদ্রিঙৈদা ইন্দিয়াগী বোল্লর ঝুলন গোশ্বামীনা আওট তাহনখি। অতোপ্পা ওপনর সোফি দেভাইনসু শুপ্পগী রন ৭ খক লৌরল্লগা আওট ওইখি।

টিম অসিগী অহুমশুবা বেটসমেন লোরেন দাউনসু ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদুদা রন ১৫ হাপচিল্লমখি। ৪শুবা বেটসৱুমেন টিম অসিগী কেপ্টেন এমী সেট্টরৱাইটনা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ৮৭ মায়োক্লবদা ফোর ৯ য়ৈরগা রন ৭১ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স ওইখি।

৭শুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবী লেঙ্গ কাস্পরেককী রন ২১ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। মখা তানা চঙলকখিবী অতোপ্পা বেটসৱুমেনশিং রন মপুং ফানা লৌবা ঙমখিবদগী মখোয়গী ইন্নিংস অদু ৪৫শুবা ওভর ২শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ১৬১ দা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা ঝুলন গোশ্বামীনা ন্যু জিলেন্দগী বেটসৱুমেন ৩ আওট তাহনবা ঙমখি। ইক্তা বিষ্ট, দিপ্তি শর্ম্মা অমদি পুনম যাদবসু ন্যু জিলেন্দগী ৱিকেট ২ /২ আওট তাহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্নবগী রন ১৬২ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ৩৬শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা শুপ্পগী ৱিকেট ২ খক তুরগা রন ১৬৬ লৌদুনা অনীশুবা ৱান দে মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৱিকেট ৮দা থোইদুনা সেরিজ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর জেমীমাহ রোদ্রিগেজ রন অমত্তা লৌদনা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসৱুমেন দিপ্তি শর্ম্মসু শুপ্পগী রন ৮ দা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর স্মৃতি মন্ধনানা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা বোল ৮৩ মায়োক্লবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ১৩ য়ৈরগা রন ৯০ লৌরমখি। টিম অসিগী কেপ্টেন মিথালি রাজসু বোল ১১১ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৬৩ লৌখিবা অসিনা টিম অসিনা অনীশুবা ৱান মেটচ অদু চাওনা মায় পাকপা ঙমদুনা সেরিজ মাঙজৌননা লৌবা ঙমখি।

## কাটারনা য়ুম্বু য়ু এ ইবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা এএফসি এসিয়ান কপকী ফাইনেলদা জপানগা শান্নরগনি

*অবু দাবী, জনুৱারি ২৯ঃ*

য়ু এ ইনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা এএফসি এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কাটারনা য়ুম্বু য়ু এ ইবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা জপানগা শান্নগনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসি শান্নবা হেক হৌবদগী কাটারগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। মিনট ২০ হেন্না শান্নরবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদ্রবা মতুং ২২শুবা মিনটতা কাটারগী শান্নরোই বৌৱালেম খৌখিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।



মখা তানা শান্নরকপা ৩৭শুবা মিনটতা কাটারগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই অলমোজ আলিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম খরা অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা ঙম্নখিদবদগী হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা কাটারনা য়ুম্বু য়ু এ ইবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা কাটারগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা কাটারগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা হাসন অল হাইদোসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু য়ুম্বু টিম ওইখিবা য়ু এ ইনা শোৎখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা অহানবা মিনটতা কাটারগী শান্নরোই গেনকি হারাগুচিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু কাটারনা য়ুম্বু য়ু এ ইবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা এএফসি এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা জপানগা লম্বা তৌনরগনি।


GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL CHIEF CONSERVATOR OF FORESTS & HOFF
IMPHAL: MANIPUR

ADVERTISEMENT NO. 1/2019
Imphal, the 28th January, 2019
(Corrected version of Advertisement No.1/2019 dated 25.1.2019)

No. 2/44/2017/Forests: In pursuance of Government Order No.03/04/2015-For & Envt (Pt-IV) dated 22.1.2 019 of Secretariat Forest & Environment Department, the Forest Department: Manipur invites application from the Indian citizens in the prescribed form for appointment to FOREST GUARD on temporary basis through sponsorship of the concerned Employment Exchanges. The details are as follows:

1. Name of the post: FOREST GUARD
2. Scale of Pay: Rs. 5200 – 20200 with allowances as admissible.
3. Grade Pay: Rs. 1800/-
4. Class/Group: C
5. Number of Posts: 50
6. Reservation : Reservation for SC/ST/OBC Meitei/OBC Meitei Pangal & Sports Quota:

| Mode of recruitment | No. of posts | Category wise no. of posts to be recruited | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| | | UR | SC | ST | OBC (Meitei) | OBC (Meitei Pangal) |
| Direct Recruit | 41 | 21 | 1 | 12 | 5 | 2 |
| Sports Quota | 9 | 5 | - | 3 | 1 | - |
| Total | 50 | 26 | 1 | 15 | 6 | 2 |

7. The number of posts for recruitment may be increased or decreased.
8. Application Forms will be issued to candidates sponsored by District Employment Exchange Office from 29.1.2019 to 15.2.2019 on all working days and last date for submission of Application Forms will be the 18th February 2019. The detailed information for the Recruitment will be available on the NOTICE BOARD of the office of Principal Chief Conservator of Forests & HOFF, Sanjenthong, Imphal.

Sd/- (Kereilhouvi Angami)
Principal Chief Conservator of Forest & HOFF
Government of Manipur


## সেরি এদা জেনোৱানা ইম্পোলিবু ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, লা লীগাদা রায়ো ভালেকানো মায় পাকখ্রে

*রোম। মাদ্রিদ, জনুৱারি ২৯ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এদা জেনোৱানা ইম্পোলিবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা রায়ো ভালেকানোনা দিপোর্টিভো অলাভেসপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে।



জেনোৱা অমদি ইম্পোলিনা ঙসি শান্নখিবা সেরি এগী মেটচ অসিগী ১৮শুবা মিনটতা জেনোৱাগী শান্নরোই খৃষ্টিয়ান কুৱামেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা ইম্পোলিগী শান্নরোই জিওভান্নি দি লোরেঞ্জোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইক্কেলাইজর ওইহনখি।

মখা তানা শান্নরকপা ৭০শুবা মিনটতা জেনোৱাগী শান্নরোই দার্কো লাজোভিসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অমুক হন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা জেনোৱাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই এন্টোনিও সানাব্রিয়ানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী জেনোৱানা ইম্পোলিবু ৩–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলগী রায়ো ভালেকানো অমদি দিপোর্টিভো অলাভেসনা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৭শুবা মিনটতা রায়ো ভালেকানোগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রাউল দি টোমাসনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা লা লীগা ফুটবোলগী মেটচ অদু রায়ো ভালেকানোনা দিপোর্টিভো অলাভেসপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

## থাইলেন্দ ওপনদা ঝেং মায় পাকখ্রে

*হুৱা হিন, জনুৱারি ২৯ঃ*

থাইলেন্দগী সিটি হুৱা হিনদা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা য়ুএস দোল্লর ৩২০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট থাইলেন্দ ওপনদা চাইনাগী স্বাই ঝেং মায় সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা পাক্লুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী স্বাই ঝেংনা লুজেমবর্গকী এম মিনেল্লাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৭(৮–১০), ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী আই সি বেগুগা শান্নরগনি। বেগুনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা রুশিয়াগী রোদিওনোভাবু ৬–২, ৬–০ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এ টোমলজানোভিসনা স্বিটজরলেন্দগী এস ভোগেলিবু ৬–১, ৭–৬(৮–৬) দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী কে কোজলোভাগা শান্নরগনি। কোজলোভানা অহানবা রাউন্দদা স্বিটজরলেন্দগী সি পেরিনবু ৬–৪, ৩–৬, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

২শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপেগী এস দব্লিয়ু সৈ রোমানিয়াগী নিকুলেস্কুগী মখুত্তা ৪–৬, ৬–৭(২–৭) দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।


IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST, Konthoujam

Ref. : Mutation Case No.78/SDC/IW(K) /2019

1. Laishram Shyamsunder Singh S/o (L) Toyaima Singh of Phoijing Awang Leikai
2. Laishram Ibochouba Singh S/o (L) Muhindro Singh of -do-

Petitioners

-Vs-

Late Laishram Gulap Singh S/o (L) Tomba Singh of Phoijing Awang Leikai

O.P.Party

**NOTICE**
The 28/01/2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Laishram Gulap Singh পীং মৃঃ Tomba Singh সাং Phoijing Awang Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 91- Awangphoijing গী অনৌবা পট্টা নং 91/255 দাগ নং 369 অমসুং এরিয়ানা .54 চাওবা Phourel লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

SL/4383(a)/30

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam



IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST, Konthoujam

Ref. : Mutation Case No.62/SDC/IW(K) /2019

1. Leitanthem Baleshwar Singh S/o (L) Thaba Singh of Awangjiri Mayai Leikai
2. Leitanthem Jagat Singh S/o (L) Shamu Singh of Awangjiri Mayai Leikai

Petitioners

-Vs-

Late Leitanthem Thaba Singh S/o (L) Jarm Singh of Awangjiri Mayai Leikai

O.P.Party

**NOTICE**
The 24/01/2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার L. Thaba Singh পীং মৃঃ Jarm Singh সাং Awangjiri Mayai Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 93- Awangjiri গী অনৌবা পট্টা নং 138 দাগ নং 293, 275, 322 অমসুং এরিয়ানা .12 acre & .44+.30 চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

SL/4383(b)/30

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam


### ক্রোসৱার্দ ৫৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | O | M | B | O | | A | B | E | T | | N | A | P | A |
| A | D | I | E | U | | H | A | C | K | | A | R | E | S |
| N | O | M | A | T | T | E | R | H | O | W | M | U | C | H |
| E | R | E | | L | I | M | B | O | | H | A | N | K | Y |
| | | | O | A | F | | | | E | A | T | | | |
| | C | A | T | S | F | I | G | H | T | T | H | E | R | E |
| A | R | G | O | T | | T | R | O | T | S | | X | E | D |
| S | A | N | E | | M | E | A | R | A | | D | U | N | E |
| E | W | E | | W | I | M | P | S | | S | I | R | E | N |
| A | L | W | A | Y | S | S | E | E | M | T | O | B | E | |
| | | | G | A | T | | | | A | Y | N | | | |
| A | G | L | E | T | | G | A | S | U | P | | T | A | U |
| P | L | E | N | T | Y | O | F | K | I | T | T | E | N | S |
| S | E | N | T | | E | B | A | Y | | I | R | A | T | E |
| E | N | D | S | | S | I | R | S | | C | A | R | E | D |


**PIS Brick Field (Mechanised)**

(From time to time rate changeable)

BRICKSAMPLE

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

SL/1198/Alt.50 days



GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL CHIEF CONSERVATOR OF FORESTS & HOFF
IMPHAL: MANIPUR

ADVERTISEMENT NO. 2/2019
Imphal, the 28th January, 2019
(Corrected version of Advertisement No.2/2019 dated 25.1.2019)

No. 2/44/2017/Forests: In pursuance of Government Order No.03/04/2015- For & Envt (Pt-IV) dated 22/1/2019 of Secretariat Forest & Environment Department, the Forest Department, Manipur invites application from the Indian citizens in the prescribed form for the appointment to the following posts mentioned below on temporary basis through sponsorship of the concerned Employment Exchanges. The details of the posts are as follows:

| Sl. No. | Name of the posts | No. of posts | Category wise number of posts to be recruited | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | UR | SC | ST | OBC (Meitei) | OBC (Meitei Pangal) |
| 1 | DRIVER | 15 | 2 | - | 9 | 3 | 1 |
| 2 | LDC | 10 | - | - | 6 | 1 | 3 |
| 3 | STORE KEEPER | 1 | 1 | - | - | - | - |
| 4 | ASSISTANT CINEMA OPERATOR | 1 | 1 | - | - | - | - |
| 5 | DRAFTSMAN III / TRACER | 1 | 1 | - | - | - | - |
| 6 | VETERINARY FIELD ASSISTANT | 1 | - | - | - | - | - |
| 7 | TECHNICAL ASSISTANT | 4 | 3 | - | 1 | - | - |

2) Indicated Reserved Quotas for the posts of Driver and LDC respectively is inclusive of backlog vacancy of reserved quota posts.

3) The number of posts for recruitment may be increased or decreased.

4) Application Forms will be issued to candidates sponsored by District Employment Exchange Office from 29.1.2019 to 15.2.2019 on all working days and last date for submission of Application Forms will be the 18th February 2019. The detailed information for the Recruitment will be available on the NOTICE BOARD of the office of Principal Chief Conservator of Forests & HOFF, Sanjenthong, Imphal.

SL/Bill/29, 30 & 31

Sd/- (Kereilhouvi Angami)
Principal Chief Conservator of Forest & HOFF
Government of Manipur